# পোলো হায়বা গেমসি লমদমসিগী ওইবা মশান্ননি খল্লগা শান্নজবনি, কান্নবদি অমত্তা ফংজদে ঃ অসেম রোমাবতি



অসেম রোমাবতি
(পোলো প্লেয়র)



কোলকটাদা কুমজা ২০০২ দা ইগজিবিসন মেচ শান্নরুবা

হান্নগী মখা...

নুমিৎ নীনি-হুমনিদি ৱাখল য়াম্না নুংঙাইখিদে। ঐগী শগোল য়োল্লনি খনবদা পূক্নিং য়াম্না নুংশিখি। শগোলদু ইরোং চেশাবদা য়োনখি। অদুবু ঐগী শগোলদু ইরোংদগী নাম্থোক্লগা চেল্লকপা, থোং অতেকপদা লাল্লকপদা তুরেলদা তাশিনবা, খুনগী মী য়াওরগা চিংখৎপা অদুদগী চিংলগা পুখিবগী থৌদোক তোইনা থোকখি। মদুদসু ঐহাক য়াম্না নুংঙাইখিদে।

মমৈদা ইকুই কুইদনা ঐগী শগোলদু শিখ্রে হায়বগী পাউ তারকখি। পাউদু তাবদসু ঐহাক য়াম্না নুংঙাইখিদে। ৱারবসু ৱানা ঐগী নাক্তা লৈজরম্লবদি শিরম্লোই খল্লি। তৌবদি য়োম্থোকখ্রিবদু হোৎনবা ঙম্লত্তবদগীনি। শগোল য়োনখিবদগীদি পোলো শান্নবসিসু লেপ্পগেদা হায়দুনা কয়া কন্না খল্লুদ্রে। অদুবু ইশানা পামজরুবনিনা ইনুংদি নুংঙাইখিদে।

মতম মাঙবমখৈ শান্নজরক্লগা খাঙুথক্তা মহয় অমত্তা হেক চাদনা তোকপা হায়বদু ওইখি। ঐখোয়না শান্নবা তোকখ্রবদি মণিপুরদা নুপীগী পোলো অসি মুৎখ্রনি হায়না খল্লি।

পোলো হায়বসিদি মী ময়াম অমনা হুপ্তুনা শান্নবসু নত্তে। ঐখোয় খরখক্না শান্নবনি। ঐখোয়না হেক লেপখিবদা নৌনা প্লেয়র শেমগৎতুনা শান্নহনবদসু মতম শাংনা চঙগনি। ইরায় লায়না হেক্তা শান্নবা য়ারোই।

কুমজা ২০০৬ তগী লেপখিবসিনা নুপী পোলোগী ৱাফমসি অমসু অমসু তুমিন লৈনখ্রে।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## নুপী শগোল কাংজেরোয়দা মিংয়েং অমা

নুপাগীদি টুর্নামেন্ট চাং নাইনা পাঙথোকই। চহী তরুকলোম অমদি নুপী পোলো পাঙথোকখিদে। অদুবু কুমজা ২০১৩ দা মণিপুর হোর্স রাইদিংনা ঐখোয় নুপী শান্নরোয়শিং কোয়থি থিবিরকখি।

হায়রিবা মতমদুদদি হান্না শান্নরম্বা প্লেয়র খরসু ময়ূম মকৈ পানখিবা য়াওনখ্রে। মশীং য়ামদ্রবসু ঐখোয় খরা লৈহৌবনা ইনৌ নৌনা নুপী পোলো অসি শান্নবা হৌরকখি। কুমজা ১৯৯৬/৯৭ তা ঐখোয়না অহানবা শান্নজরকপা মতমদদি নুপীগী টিমসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টখক্তদা এ, বি, সী হায়দুনা লিংনা অহুমদুম লৈরম্মী।

ঐখোয়না য়াওরকখিবদুসু বি টিমদনি। এ টিমদগা য়াওবা ফংজরক্তে। প্লেয়র ফজনা অদুম লৈরম্মী। কৈরক্কী ইমা অচৌবীগীসু নুপী টিম মরাং কায়না শেমগৎলম্মী। অদুনা টুর্নামেন্ট তৌবা মতমদা টিম তরেৎ/নিপাল য়ং য়ং থোরকই। মরক্তা নুপীগী পোলো শিথরুবসি করি মরমগীনো হায়বদি ইশাগী ওইনা থোইদোকপা মুন্না খঙজবদি লৈজদে।

ঐনা কাবক কাবক তাজবদা থবক্কী মতাংদা প্লেয়র খরা পুলিসতা থবক পীগনি হায়দুনা প্রোসেস তৌরম্লগা য়েৎনবদগী তোকখি হায়। মদুদগী প্লেয়রশিংদু শান্নবা তোক্লগনি হায়দুনা লৈনখিবদগী মথং মথং নুপী পোলো অসি শিথরুবনি হায়না তাজে। চুম্বা লানবদি হায়বা ঙমজদে।

অমরোমদা কুমজা ২০১৩ দগী ইনৌ নৌনা হৌরকপা মতমদুদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবতা য়াওদুনা শগোলসি নৌনা অমুক শান্নজরকখি। অহানবা চহী অদুদা ঐনে, লাংলেননে, হবেনে, প্রেমাবতি (বেবী) নে, ইচে মেমচানে ঐখোয় পূন্না টিম শারকখি। মতুংদা দবেন্তিসু য়াওরকখি।

মসিগী মখা তারকপদা থাংমৈবন্দ পোলো ক্লবতা অমুক শান্নজরকখি। ঙসি ফাওবা শগোল কাংজৈ শান্নজরকপদা খ্বাইদগী খূৎ চান্নজরকপা প্লেয়র মরি হায়জরগদি ঐনে, হবেনে, লাংলেননে, দবেন্তিনে ঐখোয় মরিসিনি। শান্নবদা মিৎতং য়েংনরগা নুঙাইনা শান্নবা য়াই। মণিপুরদা পোলোগী এসোসিএশন অনী লৈবনা মরম ওইরগা টুর্নামেন্ট য়াওবা মতমদা তঙাইফদনা ঐখোয় তোঙান তোঙানবা টিমদা শান্নরকপা মতাংসু লৈ।

মতম মতমগী য়াগদবা মওংদা য়েংলগা অমসু অমসু কায়দনা খল্লগা শান্নজরকই। শান্নজগে হায়দুনা থোকচরকপনিনা হোর্স রাইদিংনা শিল্লবসু, ওল মণিপুর পোলো এসোসিএশন্না পাঙথোক্লবসু টুর্নামেন্টতি লোইনমক য়াওদুনা শান্নরকখি। এসোসিএশন্নসু মরক্তা অথিংবদি অমত্তা পীনদে। অদুগীদি থোইদোক্লা অকায়বা অমত্তা লৈতে।

চহী খরা লেপ্পুরগা নৌনা অমুক শান্নজরকপনিনা হৌজিক্তি ইশাগী শগোলসু লৈত্রে। ইশাগী লন্নাই শগোল লৈতবসিসু শান্নজরকপা মতমদা য়াম্না পেন্দবা য়াওরকই। শগোল অমবুদি তোঙই হায়ববু নুংঙাইনা ফ্রি ওইনা শান্নবা হায়বদুদি ওইদে। শান্নবদা শগোল খনবা অসিসু ইশানা অমা খল্লম্লগা শেরান্নবা অমগা থাজিল্লক্লবদি নিংথিনা শান্নবা ঙমদে।

শগোলগা চাশিন্ননা তোংবা ঙমদবদগী ফজনা শান্নবা ঙমদবসিসু প্লেয়র ঐখোয়দা অদুম থোকই। হৌজিক্তি নৌনা শগোল অমুক লৈনিংলক্লে। অদুবু কান্নবা অমত্তা লৈতবা, পামজবগী পংশান্দা শান্নবগী ফীভমদা লৈবসিদা পূক্নিংদদি নীংহন্নবা অদুম ফাওরকই।

-মথং-মথং

# এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফিদা রেজ নাগামপাল অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম সী এ) না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চথরিবা এম সী এ টি-২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা রেজ নাগামপাল অমসুং চেম্প খাগেম্পল্লি মায় পাকখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা রেজ নাগামপালনা এস সী সী সী শিংজমৈ ৱিকেট তরুক্তা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা এস সী সী সী শিংজমৈনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ আউট ওইরগা রন ১০২ লৌখি। শিংজমৈগী বেটসমেন কিষন্না রন ৪৯ (৫৪), ননাওনা রন ১৫ (৮), সন্দিপ চক্রবতিনা নোট আউটতা রন ১২ (১১) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা রেজ নাগামপালগী বোলর রাজেস পটেলনা ৱিকেট ৪, রোবার্টসন্না ৱিকেট ৩, নিকি অমসুং জয়েন্তনা ৱিকেট ১/১ লৌখি।

শিংজমৈনা থম্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা রেজ নাগামপালনা ওভর ১৯ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৪ আউট ওইরগা রন ১০৩ লৌদুনা শিংজমৈবু ৱিকেট ৬ তা মায়থীবা পীখি।

রেজগী বেটসমেন জয়েন্তনা রন ৩২ (৩৩) লৌখি। মেচ অদুদা রেজগী রাজেস পটেলনা ৱিকেট ৪ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা চেম্প খাগেম্পল্লিনা টি সী এম দি সী থোংজু রন ২৪ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা চেম্প খাগেম্পল্লিনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০ দা রন ১১৫ লৌদুনা ওল আউট ওইখি। চেম্পকী রাজেসনা রন ৩৭ (২৮), বোনিনা রন ২৭ (২৮) লৌখি।

থোংজুগী বোলর সুরজ অমসুং ঙাম্থোইনা ৱিকেট ২/২, তুলজিৎনা ৱিকেট ৩, সনাথোই অমসুং সৈতেন্দ্রনা ৱিকেট ১/১ লৌখি।

চেম্প খাগেম্পল্লিনা থম্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা থোংজুনা ওভর ২০ মায়োক্লখিবদা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা শুপ্নগী রন ৯১ খক লৌদুনা চেম্প খাগেম্পল্লিগী মখূৎতা রন ২৪ দা মায়থীখি।

মেচ অদুদা চেম্প খাগেম্পল্লিগী ওল রাউন্দর রাজেসনা রন ৩৭ (২৮) লৌখিবগা লোয়নননা ৱিকেট ১ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি।

হয়েং অয়ূক কে আই ৱাই সী অমসুং ফোর্স ক্ষেত্রিগাওগা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নবসা অমসুং ৱাই দল্লিয়ু সী পাৎশোইগা শান্নগনি।

# নবকিশ্বর মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): য়ঙষ্টর দাইনামিক ফুটবোল একাদেমি (ৱাই দি এফ এ) না শিন্দুনা অংথা মমাঙ লৈকায়দা লৈবা ৱেষ্টর্ন পাম্থোইবী ক্লবকী গ্রাউন্দদা চহী খুদিংগী চথরকপা অহুমশুবা কোম্থৌজম নবকিশ্বর মেমোরিএল নাইন এ সাইদ ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ মমাঙ চহীগী মে ১০ দগী চথরকপা টুর্নামেন্ট অসি মতম শাংনা নোং-চীংগী ফীভম ফত্তবা অমদি খুদোংচাদবা খরদগী য়েথোক্তুনালাকখিবা অদু থা অসিগী ২৭ তগী মখা চানা চথবা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মেচ থা অসিগী ২৭ কী নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা বি ৱাই ও অংথা অমসুং এফ সী তেলৌ অনীনা শান্নগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা ৱাই দি এফ এ টিম এ অমসুং সী এফ সী হৈরোক অনীনা শান্নগনি হায়রি।

# ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৫ (ঐচ এন এস): এ ৱাই দি এ অৱাং খুনৌ ময়ায় লৈকায়না শিন্দুনা চথরিবা ১২ শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা কে এম ৱাই দি এ কোম্থৌজম্না এফ সী লৈমরাম গোল ৬-২ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা কে এম ৱাই দি এগী গোলশিং অদু তোম্বা অমসুং শঙ্করনা গোল অমমম, গোলমৈ অমসুং লানশিনপৌনা গোল অনী অনী চনখি। এফ সী লৈমরামগী গোল অনী অদু এল বিনাতোন অমসুং এন রোমিওনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এফ সী খা সঞ্জেনবমনা পি সী এল লমদেং গোলা ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। এফ সী খা সঞ্জেনবমগী গোল অনী অদু ঐচ পিয়াবুং অমসুং জোনসন্না চনখি। পি সী এল লমদেংগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কে ঐচ রোকিনা চনখি। অহুমশুবা মেচতা সী ৱাই দি এ লমদেংনা এ ৱাই দি এ টিম বি অৱাং খুনৌ গোল ৫-৩ দা মায়থীবা পীখ্রে।





1. Geoffray Boycott না কুমজা ১৯৬৭ তা 'লীদস' তা ইন্দিয়াগা টেষ্ট মেচ শান্নবদা রন ২৪৬ লৌরবসু সেরিজ অদুগী মথংগী টেষ্টতা য়াওহনখিদে। মসিগী মরম পীয়ু।
2. মালেমগী মিটর ১১০ গী হর্দলসদা রেকোর্দ পায়বা নুপা অমা ওলেম্পিক্কী টিম খন্নবা ত্রাইএল তৌবদা খোঙফম চাদবদগী চেনবা লেপখিদুনা পোজিসন অমত্তা ফংহৌদে অদুবু মহাক্না অতোপ্পা মশান্না অমদা ত্রাইএল য়াওশিন্দুনা মশান্না অদুদা অহুমশুবা তাদুনা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবা ফংদুনা থাজবগী ৱাংমদা সনাগী মেদল ফংখিবা শান্নরোয় অদু কনানো?
3. Brandon কপ্তা অহানবা মেদল ফংলকখিবা মণিপুর মচা অদু কনানো?
4. মিষ্টর ৱর্ল্ড অরাম্বম বোবী সিংহ হান্না ষ্টেটকী থাক্তা এথলেটিক্সকী মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইরম্মী। মহাক এথলেটিক্কী করম্বা মশান্নদা শরুক য়ারম্মী?
5. মহাক্কী লোইনবীগা ওলেম্পিক অমত্তদা শরুক য়ামিন্নখিবদা মখোয় অনীমক সনাগী মেদল ফংখি। মহাক্না মরাথোন্দা ফংখিবনি। মহাক্কী মমিং হায়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ০৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪২ গী পাউখুমশিং

(১) G.D. Mckenzie (২) মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ ক্লব (৩) বোক্সিং/সাইক্লিং (৪) খো-খো (৫) কুমাম নিপামচা সিংহ

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪২ গী পাউখুম মরি চুম্না পীবিরকখিবদি

*(১) রোলিনসন খুন্দ্রাকপম, ঘড়ী মখা লৈকায়, এয়রপোর্ট রোদ*

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৪২ গী ৱিন্নর

*রোলিনসন খুন্দ্রাকপম, ঘড়ী মখা লৈকায়, এয়রপোর্ট রোদ*

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৪২ গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

মার্চ ০৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

# আইজোল এফ সীনা চেন্নাই সিটি এফ সীবু মায়থীবা পীদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখ্রে



আইজোল, ফেব্রুৱারী ২৫ : আইজোল এফ সীনা মফম অসিদা চথখিবা আই লীগকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা চেন্নাই সিটি এফ সীবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা মায় পাকখিবগা লোয়নননা টেবলগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

আইজোল এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু ব্রান্দন বানলালরেমদিকানা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা গোল অমা চনশিনখি। হোম সাইদ অসিনা অহানবা হাফতা গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। মায়োক্লখিবা চেন্নাই সিটি এফ সীসু গোল চন্ননবা হোৎনরকখ্রবসু কান্নবদি ফংখিদে।

জয়েস রানেগী কোর্নর কিক্তা জোমিংলিয়ানানা হেদ্দিং তৌশিনখিবা বোল অমা চেন্নাইগী গোল কিপর করনজিৎ সিনহানা বার মথক্তা ইনখৎখিদুনা গোল ওম্থোকপা ঙমখিদে।

মেচ অদুদা অল অমনাগী ফ্রি কিক অমা অমদি অলগ্রেট জরিয়ান্না মেচকী মিনিট ১২ দা কাওখিবা শুটশিং গোল ওম্থোকপা ঙমদনা থমখি।

ফার্ষ্টহাফ ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল চন্ননবা ঙমজবী থাদুনা হোৎনখ্রবসু কান্নবা ফংদনা লৈখি। মেচকী অনীশুবা হাফতা আর লালদানমাইৱানা অল অমনাগী পাসতা গোল এটেম্প তৌরকখ্রবসু কান্নবা ফংখিদে।

অলফ্রেদ জরিয়লনা লোং রেঞ্জদগী কাওশিনখিবা শুট অমা মায়োক্লখিবা টিমগী গোল কিপর করঞ্জিৎনা অথিংবা পীখি। আইজোল এফ সীনা হনবা লৈতনা মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা এটেক অমদা মেচকী মিনিট ৫৩ চৎপা মতমদা ব্রান্দন বানলালরেমদিকানা গোল অমা চনশিন্দুনা মায় পাকখি।

হৌজিক আইজোল এফ সীনা পোইন্ট ২৩ ফংদুনা টেবলদা মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে। চেন্নাই সিটি এফ সীনা মেচ ১১ দগী পোইন্ট ৮ খক ফংলগা মাপনশুবা মফমদা লৈখি। লাক্লিবা মার্চ ৪ দা আইজোল এফ সীনা য়ূম্বু ওইদুনা মুম্বাই এফ সীগা শান্নরগনি।









